ফাইটিং স্পিরিট লৈবনা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌবদা মায়পাক্লবগী অচৌবা মচাক অমা ওইরি: অশালতা

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল কেপ্টেন ওইরিবী লোইতোংবম অশালতানা ফোংদোকখিবদা শান্নরোয়শিংনা মায়োক্লবা টিমগা লম্বা তৌবদা মায়পাক্লবা ফাইটিং স্পিরিট লৈবা য়াম্না মথৌ তাই হায়খ্রে।

ৱাফম অসি অশালতানা ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন টিভিগা ৱারী শান্নবা অমদা ফোংদোরকপনি। হৌখিবা চহী খর অসিদা ইন্দিয়াগী নুপীগী ফুটবোল টিম অসিগী পর্ফোমেন্সতা হান্না লৈরম্বদগী হেন্না ফজনা উৎপা ঙম্লক্লি। টিম অসিবু অশালতানা লুচিংদুনা মহাক মশাগী ওইবা ফাইটিং অমসুং কম্পিটিটিব স্পিরিট অদু পুথোক্তুনা শান্নরিবনি।

কম্পিটিটিব স্পিরিটকী হৈনবী অদু মহাক্কী টিমমেটশিংদসু য়াওহন্ননবা য়াম্না কন্না কেপ্টেন অমসুং সেন্টর বেক অশালতানা হোৎনরি হায়না ৱারী শান্নবা অদুদা মখাতানা ফোংদোকখি। মহাক্না হায়, কম্পিটিটিব মেচ ওইগেরা ফ্রেন্দলি মেচ ওইগেরা মায়পাকপা অমসুং মায়থীবা টিম অমদিয়াওগদৌরিবনি। টিম অমত্তনা মায়থীবা পামদে। মরম অদুনা অকনবা লম্বা পীবা হায়বসিনা খ্বায়দগী মরু ওইবনি হায়না মহাক্কা মহাক্কী টিমমেটশিংদা তৎতনা হায়বা ৱাফমনি। করিগুম্না শান্নরোয় অমনা মহাক্কী মায়কৈদগী লৈজবী পুথোক্তুনা অকনবা লম্বা পীরবদি মায়থীরবসু ইকাইনিঙাই লৈতে। তাঞ্জা অসিদনি ফাইটিং স্পিরিট লৈবা মথৌ তারক্লিবসি।

নীংশিংবা য়াই, মমাং এআই এফ এফ টিভিনা ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অসিগী হেদ কোচ মেমোল রোকি অমসুং গোলকিপর অদিতি চৌহাননা ফোংদোকখিবদা অশালতাগী ফাইটিং স্পিরিটকী মতাংদা থাগৎপা ফোংদোক্তুনা মহাক্না ফিল্ডদা খক্তা নৎতনা ফ্রেন্দলি মেচনত্রগা ত্রেনিংদা ফাগি ওইনা শান্নবা মতমদসু মহাক্কী স্পিরিট অদুদি অদুম্মক হনবা লৈতে হায়খি।

কেপ্টেন অশালতানা মখা তানা হায়খিবদা ত্রেনিং এক্সর্সাইজদবু ওইরো শান্নরোয় অমগী মায়কৈদেগী লম্বা পীনিংবগী ইহুল অদুদি মতম লৈবা খিবিক্তা মাঙহনবা য়াদে। মেচ মচা-মচাদা কোমথোক্তুনা ফাইটিং স্পিরিট লৈবা ঙমদ্রবদি অচৌবা মেচশিং লম্বা তৌনরকপদদি করম্না শান্নগনি। মায়োক্লবা টিম্না পাঞ্জল হেন্না চনশিনখিবদা ৱাখল শোন্থনা শান্নরবদি হেন্না মায়থীবা য়াবগী খুদোংচাবা লৈ।

নাকল অমরোমদা কেপ্টেন অমা ওইবগী থৌদাং লৌরকপদা করিগুম্বা মতমদা মহাক্কী মায়কৈদগী শাউনিংবা কয়া য়াওরবসু শান্নরোয়শিং অদুগা ৱারী শাবদদি ফাথরগা তপ্না ৱারী শাদুনা মহাক্কী ইমোসন অদু উথোক্তে। করিগুম্বা মতমদা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নদবা য়াদবা মতমদা মহাক্কী জুনিয়র শান্নরোয়শিংগী মমাংদা নুংঙাইতবা অমদি পাখৎপা মায়থোঙ অদু উথোক্তে। ট্রেনিংগী মতমদসু মহাক্কী মায়কৈদগী অহেনবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা মাংজৌননা খূদম পীরবদি মহাক্কী অতোপ্পা টিমমেটশিংনা ঙম্লমদবদু ঙমহন্নবা হোৎনহনবগী খূদোংচাবা লৈ হায়খি।

মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা দিল্লি কেপিটেলসপু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে, আর সী বি সনরাইজর্সকী মখূৎতা ৱিকেট ৫দা মায়থীখ্রে

দুবাই/সর্জা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী ওপনর ইসান কিষননা আউট ওইদনা রন ৭২ লৌখিবা অদুনা ফজদুনা দিল্লি কেপিটেলসপু ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেচ অমদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোর (আর সী বি) সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মখূৎতা ৱিকেট ৫দা মায়থীবা নংখ্রে।

লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৫১শুবা মেচ অদু দুবাই ইন্টরনেসনল ষ্টেডিয়মদা মুম্বাই ইন্দিয়ন্সনা টোস ঙমদুনা দিল্লি কেপিটেলসকা শান্নরকপদা বোলিং হান্না তৌখি। মখোয়গী বোলরশিং অদুনা দিল্লি কেপিটেলসকী বেটচমেনশিংবু রন চাওনা লৌহনখিদে।

দিল্লি কেপিটেলসকী ওপনর অমদি চথুরিবা লীগ টুর্নামেন্ট অসিদা খ্বাইদগী মশীং য়াম্না রন লৌবা ঙম্লিবা সিখর ধৱন রন অমত্তা লৌবা ঙমদনা আউট ওইখি। কেপ্টেন স্রিয়াস আয়র অমসুং মরিশুবা বেটচমেন রিসব পন্থনা মথংশিংনা রন ২৫ অমসুং ২১ লৌখিবা অদুনা পনবা য়াবা স্কোরশিং ওইখি। ওপনর পৃথিবী সো রন ১০, হেটমায়র রন ১১, অস্বিন রন ১২ অমসুং রবাদানা রন ১২ লৌদুনা ওভর ২০ লোইশিল্লকপদা দিল্লি কেপিটেলসকী ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১১০খক লৌখি।

মায় পাক্নবা রন ১১১ অদু মুম্বাই ইন্দিয়ন্সকী মায়কৈদগী ১৫শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা ৱিকেট অমখক তুরগা লৌবা ঙমখি। ওপনর ইসান কিষননা বোল ৪৭তা সিক্স ৩ অমসুং ফোর ৮ য়ৈরগা আউট ওইদনা রন ৭২ লৌবা ঙমখি। অতোপ্পা ওপনর ক্বিন্টন দি কোক বোল ২৮দা রন ২৬ লৌরম্লগা আউট ওইখি। অদুগা অহুমশুবা বেটচমেন সুরিয়া কুমার য়াদব আউট ওইদনা বোল ১১দা রন ১২ লৌখি।

ঙসি সর্জা ক্রিকেট ষ্টেডিয়মদা সনরাইজর্স হায়দরবাদনা টোস ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মদুদা রোয়ল চেলেঞ্জর্স বেঙ্গলোরনা অপীবা ওভর ২০দা বেটচমেন ৭ আউট ওইরগা রন ১২০ লৌখি।

ওপনর ফিলিপ অমসুং দেবদত্তকী পার্টনরশিপ রন ১৩দা লোইশিনখি। দেবদত্ত রন ৫ লৌরম্লগা আউট ওইখিবনি। কেপ্টেন ভিরাট কোহলিসু শুপ্পগী রন ৭ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মরিশুবা বেটচমেন ভিলিয়র্স অমসুং ওপনর ফিলিপনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরশিপকীদমক রন ৪৩ হাপচিল্লগা অপূনবা স্কোর ৭১ য়ৌহল্লকখি।

ভিলিয়র্স রন ২৪দা আউট ওইখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থংনবা ওভরদা ওপনর ফিলিপ রন ৩২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মঙাশুবা বেটচমেন ৱাশিংটন সুন্দর অমদি তরুকশুবা বেটচমেন গুরকিরাট সিংহনা ইন্নিংস অদু মখা তারকপদা রন ৩০ হাপচিন্দুনা অপূনবা স্কোর অদু ১০৬ য়ৌহল্লকখি।

অহেনবা রন হাপচিনবা ঙমদ্রিঙৈ সুন্দর বোল ১৮দা রন ২১ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মখা তারকপা বেটচমেন অনী খৃস মোরিস অমসুং উদানা মথংশিংনা রন ৩ অমসুং রন লৌদনা আউট ওইখি। ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা গুরকিরাট আউট ওইদনা বোল ২৪দা রন ১৫ অদুগা সিরাজনা রন ২ লৌরগা লৈখি।

সনরাইজর্স হায়দরবাদকী মায়কৈদগী বোলর ৫মক ৱিকেট লৌবা ঙমখি। মদুগী মনুংদা সন্দিপ শর্ম্মা অমসুং জেসন হোল্ডরনা ২/২ লৌরগা অতোপ্পা বোলরশিং অদুনা অমমম্ লৌখি।

মায় পাক্নবা সনরাইজর্সকী মায়কৈদগী রন ১২১ লৌনবগী টার্গেট লৈখি। ওপনর রিধিমান শাহনা বোল ৩২দা সিক্স ১গা ফোর ৪ য়ৈরগা রন ৩৯ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। মনিশ পান্দেনা বোল ১৯দা রন ২৬ লৌরম্বা অদুসু শীংথানিংঙাই ওইখি। লোয়ননা জেসন হোল্ডরনা শুপ্পগী বোল ১০দা রন ২৬ লৌদুনা ১৫শুবা ওভরগী অহানবা বোলদা ৱিকেট ৫ তুরগা রন ১২১ লৌখি।

হয়েং চেন্নাই সুপর কিংস অমসুং কিংস ইলেভেন পঞ্জাব ৫৩শুবা মেচ শান্নগনি। অদুগা ৫৪শুবা মেচ অদুদা কোলকাটা নাইট রাইদর্স অমসুং রাজস্থান রোয়লস থেংনগনি।

চহী ৬০ শুরকপদা মরাদোনানা ইংলেন্দগী মায়োক্তা মখূৎ য়েৎনা গোল অমা চন্নিংলি

বিনোস আইরেস, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): মশাগী চহী ৬০ শুরকপগী মপোক কুমওনগা মরী লৈননা মমিং লৈরবা অর্জেন্টিনাগী ফুটবোল লেজেন্দ দিএগো মরাদোনানা ফ্রান্সতা চয়োলগী ওইনা ফোঙবা চেফোঙ অমগা ৱারী শান্নবদা ইংলেন্দগা মেচ অমা শান্নিংলি, ১৯৮৬ ৱর্ল্ড কপতা মহাক্না মখূৎ ওইনা পাঞ্জল চনখিবা অদুগী মহুৎতা হন্দক্তি মখূৎ য়েৎনা ওইনা চনবা পাল্লি হায়না ইন্টর্ভিয়ু অদুদা ফাগি তৌখি।

কুমজা ১৯৮৬কী ৱর্ল্ড কপ অদুগী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনবদা অহানবা গোল অদু মরাদোনাগী মখূৎনা ইংলেন্দগী গোল কিপ্পর সিল্টনদগী ৱাংনা চোংখৎতুনা মখূৎ ওইনা ইনশিন্দুনা পাঞ্জল চনখি। মতম অদুদা পাঞ্জল অদু 'হেন্দ ওফ গোদ' হায়না মীয়াম্না খঙনখি। মেচ অদুমক্তদা মরাদোনানা ইংলেন্দগী শান্নরোয় তংখায় অমা লাম্থোক্তুনা গোল অমগসু চনখি। চহী অদু মখোয়না টাইটল লৌখি। হৌজিক-হৌজিক মরাদোনা অর্জেন্টিনাগী ক্লব জিম্নাসিয়া লা প্লাটাগী কোচ ওইনা থৌ পুরি।

ইন্দিয়াগী অমিট পনঘল, অসিস কুমার অমসুং সঞ্জিৎ গোল্ড ফংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): ফ্রান্সকী সিটি নান্টেজদা পাঙথোকপা এলেসিস বাষ্টিন ইন্টরনেসনল বোক্সিং টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপাগী বোক্সর অহুম, অমিট পনঘল, অসিস কুমার অমসুং সঞ্জিৎ গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা শান্নবগী হীরম কয়া অমা লেপ্তুনা লৈরকপা অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অসিনা ফ্রান্সকী টুর্নামেন্ট শরুক য়াবা অসিনা অহানবনি। ৱর্ল্ড বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা লোয়ননা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদালিষ্ট অমসুং কমনৱেল্থ গেমসকী সিলভর মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অমিট পনঘলনা কিলোগ্রাম ৫২গী কেটেগোরিগী ঙরাং অথেংবদা লম্বা তৌখিবা ফাইনেল মেচ অদুদা য়ু এস এগী বোক্সর রেন অব্রাহমবু য়াম্না হেনবা মওংদা লম্বা পীদুনা ৩-০দা থোইবা ঙমখি।



মহাক্তা নৎতনা কিলোগ্রাম ৯১গী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী বোক্সর সঞ্জিৎনা মহাক্কী লম্বা অদুবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংখি। মমাংদা ইন্দিয়া ওপন ইন্টরনেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা সঞ্জিৎনা মহাক্কী লম্বা ফ্রেঞ্চ মচা সোহেব বোফিয়াবু ৩-০দা মায়থীবা পীবা ঙমখিবনি।

কিলোগ্রাম ৭৫গী কাঙলুপ্তা এসিয়ন গেমসকী সিলভর মেদল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী অসিস কুমারনা ফাইনেলদা য়ু এস এগী বোক্সর জোসেফ জেরোম হিক্সকা লম্বা তৌনগদবা অদু জোসেফ শোকপদগী বাউট অদুদা থিন্নবা ঙমখিদবা মরম্না ৱাক ওভর ফংদুনা টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা গোল্ড ফংখি।

কিলোগ্রাম ৫৭কী কাঙলুপ্তা এসিয়ন সিলভর মেদালিষ্ট কবিন্দর সিংহ বিষ্ট ফ্রান্সকী বোক্সর সাম্যুএল কিষ্টোহরিগী মখূৎতা য়াম্না লম্বা মান্ননা থিন্নবা ঙমখ্রবসু পোইন্ট ১-২দা মায়থীদুনা সিলভর মেদল ফংহৌখি।

ইন্দিয়াগী অতোপ্পা বোক্সর অহুম শিব থাবা (কেজি ৬৩), সুমিট সংৱান (কেজি ৮১) অমসুং সটিশ কুমার (কেজি ৯১ মথক) সেমীফাইনেলদা মায়থীহৌদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংখ্রবনি। ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অসি নুমীৎ ৫২নিগী ওইবা ট্রেনিং কম কম্পিটিসন টুর অমগী য়ুরোপ্তা লৈরি।

বেয়র্ন ম্যুনিক, রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং মেঞ্চেষ্টর সিটি মায় পাকখ্রে

বর্লিন, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা মমিং লৈরবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেচশিংদা য়ুরোপিয়ন চেম্পিয়ন্স লীগকী টাইটল লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনিগী বেয়র্ন ম্যুনিক, স্পেনগী রিয়াল মাদ্রিদ অমসুং ইংলেন্দগী মেঞ্চেষ্টর সিটি মখোয়-মখোয়গী মেচশিং অদু মায় পাকপা ঙমখ্রে।

বুন্দেসলিগা (জর্মনি) :

ঙসি চেম্পিয়ন বেয়র্ন ম্যুনিকনা এফ সী কোনগা শান্নখিবা মেচ অমদা পাঞ্জল ২-১দা বেয়র্ন ম্যুনিকনা মায় পাকপা ঙমখি। মেচকী হৌরকপদা বেয়র্ন ম্যুনিকনা এটেক চথবগী চাং হেনখি।

১৩শুবা মিনটতা মখোয়গী এটেক অমদা পেনাল্টি অমা ফংখি। খূদোংচাবা অদু টিম অদুগী এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোয় থোমাস ম্যুলরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা এফ সী কোনবু মাংজিল থারগা চৎখি। পাঞ্জল অমা শোথরবা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌরিবা মতম অদুদা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা অরেম্বা তাখি।

হাফ অদুগী অরোইবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিককী মায়কৈদগী অমুক হন্না চথরকখিবা এটেক অমদা জেস্বা কিমিসনা পীরকপা বোলদা সর্জ নাব্রেনা পাঞ্জল চন্দুনা মিনট ৪৫গী মতম লোইশিল্লকপদা মখোয়না এফ সী কোনবু ২-০দা মাংজিল থারগা লৈখি। মেচকী ৮২ শুবা মিনটতা এফ সী কোনগী মায়কৈদগী জান থেলমাননা পীবা বোলদা দোমিনিক দ্রেস্লরনা পাঞ্জল অমা হন্দোক্লগা মখোয় ১-২দা মায়থীখি।

লালিগা (স্পেন) :

স্পেনগী মমিং লৈরবা অমদি মমাং সিজনগী লালিগা চেম্পিয়ন রিয়াল মাদ্রিদনা ঙসি এস দি হুস্কাবু ৪-১দা থোইখি। অহানবা হাফকী পুংখায় হেনবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্নখিদে। অদুবু ৪০শুবা মিনটতা ফেদেরিকোনা পীরকপা বোল অমদা ইদেন হেজার্দনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি। মিনট ৫ লৈরগা টিমমেট করিম বেঞ্জিমানা ২শুবা পাঞ্জল অদু চনখি।

৫৪শুবা মিনটতা ফেদেরিকোনা রিয়াল মাদ্রিদকী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অমরোমদা এস দি হুস্কাগী মায়কৈদগীনা দেবিদ ফেরৈরোনা টিমমেট রাফা মিরনা পীরকপা বোল অমদা পাঞ্জল অমা চনবা ঙমদুনা ১-৩দা লৈখি। অদুবু মখা তাবা পাঞ্জল চনবগী খূদোংচাবা ফংদ্রিঙৈ রিয়াল মাদ্রিদকী অনীশুবা পাঞ্জল চনখিবা বেঞ্জিমানা ৯০শুবা মিনটতা টিম অদুগী ৪শুবা পাঞ্জল চন্দুনা ৪-১দা মায় পাকখি।

ইংলিশ প্রেমিয়র লীগ (ইংলেন্দ) :

মেঞ্চেষ্টর সিটিনা সেফিল্ড য়ুনাইটেদপু পাঞ্জল ১-০দা থোইখি। মেচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু ২৮শুবা মিনটতা ৱ্রুননা পীরকপা বোলদা কাইল ৱাকরনা চনখি।

মণিপুর মচা তোন্দোম্বা অমসুং চান্সো হোরাম মুম্বাই সিটিগা ২০২৪ ফাওবা খূৎয়েক পীনখ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): ইন্দিয়ন সুপর লীগতা শরুক য়ারিবা ক্লব মুম্বাই সিটি এফ সীনা মণিপুর মচা নাওরেম তোন্দোম্বা অমসুং চান্সো হোরাম কুমজা ২০২৪ ফাওবা ক্লব অদুদা শান্ননবা খূৎয়েক পীনখ্রে।

ৱাফম অসি মুম্বাই সিটি এফ সীগী মীদিয়া রিলিজ অমদা ঙসি ফোঙদোরকপনি। ক্লব অসিগী মেনেজমেন্টকী মায়কৈদগী নহা ওইরিবা শান্নরোয় অনী অসিবু লোনদা আই লীগকী টিম অনীদা শান্নহনগদৌরি। কুমজা ২০২০-২১ আই লীগকী ওইনা মশাগী চহী ১৮শুরবা চান্সো হোরাম মণিপুরগী আই লীগ টিম অমা ওইরিবা ট্রাও এফ সীদা লোনদা শান্নরগনি। অমরোমদা, চহী ২১দা ঙাইরিবা নাওরেম তোন্দোম্বা হন্দক্কী সিজন অসিদা নৌনা আইলীগতা শরুক য়াবা ঙম্লবা সুদেবা এফ সীদা লোন ওইনা শরুক য়ারগনি।

শান্নরোয় অনীমক এটেক্কিং মিদফিল্ডর ঙাক্তনি। মমাংগী সিজনদা চান্সো হোরাম মণিপুরগী নেরোকা এফ সীদা শান্নরম্বনি। অমরোমদা তোন্দোম্বা মমাংগী সিজনদা ইষ্ট বেঙ্গল ফুটবোল ক্লবতা শান্নরমখি। কোচ সর্জিও লোবেরানা ফোঙদোকপদা মখোয় অনী আই লীগতা এক্সপরিয়েন্স খরা হেন্না লৈহন্নবা ক্লবশিং অসিদা শান্নহনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী রিতু ফোগটনা থংন-থংননা অহুম্লকশুবা এম এম এ টাইটল লৌবা ঙমখ্রে

মুম্বাই, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): মমাংদা ইন্দিয়াগী নুপী রেষ্টলর ওইরম্বা অদুগা হৌজিক্কা মিক্স মার্সিএল আর্টস (এম এম এ) কী শান্নরোয় অমা ওইরিবী রিতু ফোগটনা সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকপা চেম্পিয়নশিপতা মায় পাক্তুনা মহাক্কী করিয়রগী থংন-থংননবা টাইটল অহুম্লক লৌবা ঙমখ্রে।

সিঙ্গাপোর ইন্দোর ষ্টেডিয়মদা ৱান চেম্পিয়নশিপকী মনুং চন্না পাঙথোকপা ইন্সাইদ দি মেট্রিক্স হায়বা ইভেন্ট অদুদা শরুক য়াদুনা মশাগী চহী ২৬শুরবী রিতু ফোগটনা কম্বোদিয়াগী মার্সিএল আর্টিষ্ট নৌ স্রে পোভপু অনীশুবা রাউন্দদা টেক্নিকেল নোক আউট তৌদুনা মায় পাকখিবনি।

'দি ইন্দিয়ন টাইগ্রেস' হায়না মীয়াম্না খঙনবা ফোগটনা অহানবা রাউন্দদা নৌ স্রেবু য়াম্না দোমিনেট তৌদুনা শান্নবা ঙমখি। অনীশুবা রাউন্দগী মিনট ২গা সেকেন্দ ২ চঙশিল্লকপদা মেচ অদুগী রেফরিনা ফোগটকী লম্বা ওইখিবী কম্বোদিয়াগী নৌ স্রে হেন্না শোক্তনবা কন্টেষ্ট অদু লোইশিনখিবনি। ফোগটনা ফোঙদোকখিবদা, মখা তানা গ্রান্দ প্রীদা মীৎয়েং থমদুনা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নগী টাইটলগীদমক হোৎনগনি হায়খি।

মকোক থোংবা শান্নরোয় নোভাক জোকোবিচ অমসুং দোমিনিক থিয়ম মায়থীহৌরে

ভিএনা, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): ভিএনা ওপন টেনিস টুর্নামেন্টতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান শান্নরোয় সর্ভিয়াগী নোভাক জোকোবিচ অমসুং টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন ওষ্ট্রিয়া মচা দোমিনিক থিয়ম ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থীহৌরে।

নোভাক জোকোবিচনা ঙরাং শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা ইটালিগী লোরেঞ্জো সোনিগোগা লম্বা তৌনরকপদা য়াম্না শোথনা শান্নখিবদগী অহৌবা সেটতগী সোনিগোনা হেঞ্জিল্লকখি। মহাক্কী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা সোনিগোনা ৬-২দা থোইখি। অনীশুবা সেট অদুসু সোনিগোনা ৬-১দা থোইরগা ইটালিগী শান্নরোয় অদু সেমীফাইনেলদা চঙখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী মমাং চহীগী চেম্পিয়ন দোমিনিক থিয়মনা ক্বার্টর ফাইনেলদা রসিয়াগী এন্দ্রু রুব্লেবকা লম্বা তৌনখি। অহানবা সেট য়াম্না মান্নবা মওংদা টাই ব্রেক য়ৌরকখি। মদুদা রুব্লেবনা পোইন্ট ৭-৫দা থোইদুনা সেট অমা মাংজিল থাখি। অনীশুবা সেট অদুদা থিয়মগী সর্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা রুব্লেবনা ৬-২দা থোইরগা সেমীফাইনেল য়ৌখি। সেমীফাইনেলদা মহাক্না রসিয়াগী দানিল মেদবেদেভপু ৬-৪, ৭-৬ (৭-৫)দা থোইরম্বা সাউথ অফ্রিকাগী কেবিন এন্দরসনগা লম্বা তৌনরগনি। ইটালিগী সোনিগোনা মহাক্কী সেমীফাইনেলদা বলগেরিয়াগী গ্রিগোর দিমিট্রোপু থোইরম্বা ইংলেন্দগী ইভান্সকা লম্বা তৌনরগনি।

☐100 % Food Grade (for dringking water)
☐Highly durable
☐UV stabilized
☐Odourless
LOKTAK
S.D. Industries
Changangei Uchekon, near Herbert School Imphal West-795140
loktaktank@gmail.com www.loktaktank.com Loktaktank loktaktank 09436661644
HL/P/7685/8/10-5/12 (alt)

কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রে

রোম, ওক্টোবর ৩১ (এজেন্সী): মমিং লৈরবা পোর্টুগলগী ফুটবোল শান্নরোয় হৌজিক-হৌজিক্কা ইটালিগী ফুটবোল ক্লব য়ুভেন্টসতা শান্নরিবা কৃষ্টিয়ানো রোনাল্ডো ঙরাং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইখ্রে হায়না য়ুভেন্টস ফুটবোল ক্লবকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, মশাগী চহী ৩৫ শুরবা রোনাল্ডো থা অসিগী ১৩দা য়ুরোপিয়ন নেসন্স লীগকীদমক পোর্টুগলগী নেসনল টিমদা শান্নরিঙৈদা কোভিদ পোজিটিভ ওইরকপনি। মদুগী মতুং মহাক ইটালিদা হল্লকখি। অদুগা ওক্টোবর ২২দা অমুক হন্না টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইরকপনি। ঙরাং মখা তানা অহুম্লকশুবা টেষ্ট তৌবদা নেগেটিভ ওইরকপদগী শান্ননবা শেম শাখ্রে।

LOAN AVAILABLE
ONE DAY DELIVERY FOR CLASSIC-350
EWMPLOYMENT NEWS:Car Driver,Security,2 Wheeler Mechanic
OFFICE ASST.(KAKCHING,SAMUROU,NAMBOL,KHANGABOK,MOIRANG,)
L.G. MOTORS FINANCE
KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,H.Q
CONTACT No.:- 8731978490/9774495994
OFFICE HOUR:
10.00AM TO 4.00PM
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING,IMPHAL WEST,MANIPUR
BRANCHES:- ,SAMUROU NEAR MACHU HALL,,THOUBAL BRANCH AT KHANGABOK KM BLOOMING SCHOOL OPP.,
NAMBOL PHOIJING LAMBAN,MOIRANG PATLOU,KAKCHING IRUM LAMDONG,SEKMAI KOUJENGLEIMA.
HL/B/6352/4/9-2/11

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

থোকচোম বিরেন, নিংথৌখোং ৱার্দ নম্বর ১৪

কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা ঙসিগী মৈত্রবাক লাম্মৈনা পাকশন্না চাল্লিবা চীংগোন্নুংদা লৈবগা চপ মান্নরে। কোভিদ-১৯বু মায়থীবা পীবদা মৈত্রবাক্তা লৈরিবা খুঙ্গং, টাউন, লৈকায়, ক্লবশিং, মৈরা পায়বী অমদি এন জি ওশিংনা মীওইশিংবু ৱাখল তানবা শেন্নবীবা ফগনি। লোয়ননা মদুদগী হেন্দোক্তুনা থোল্লকপা লমহেনবা মীওইশিংবুনা লৈঙাক্না ফাহন্দুনা মতিক চাবা চৈরাক পীবিরবদি কোভিদ-১৯দগী মৈত্রবাক অসি কনবা ঙমগনি হায়না খল্লি। অমরোমদা লমদম অসিদা কোভিদ টেষ্ট তৌদ্রবদি মখল অমত্তগী অনাবশিং হোস্পিটালদা লায়েংবা য়াদবগী থৌওং অসি তৌফম থোক্তব্রা হায়না খল্লি। লোয়ননা কোভিদ পোজিটিভ ওইরবা মীওইশিংবু হোম আইসোলেসন তৌবা য়াই হায়না য়ূমদা লৈহনবগী থৌওং অসিসু শেমদোকপনা ফগনি খল্লি। মরমদি লায়না লাইচৎ অসিগী মরমদা করিসু খঙদবা য়ূমগী মীওইশিংনা পোজিটিভ ওইরবা মীওই অদুবু মতৌ করম্না লায়েংগদৌরিবনো। লায়েংবদা চঙবা মচাকশিংসু লৈতবা মরম্না হেন্না খূদোংথীবা ওইরকপসু য়াই। মরম অদুনা লৈঙাক্না হীরম অসিগী মতাংদা অমুক হন্না খন্থহন্নিংই। লৈত-লায়রবা ইমুং-মনুংগী মীওইশিংগী খল্লগা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবদা তঙাইফদনা চঙলিবা মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমদি হীদাক লাংথকশিং লেম্না ফংহনবীয়ু হায়জরি।

এন তোমজেমস, লম্বাল অৱাং লৈকাই, লমশাং

ষ্টেট অসিদা ওইরক্লিবা কোভিদ-১৯গী ফীভম অমদি তুংদা ওইরক্কদৌরিবা লাইচৎ অসিগী শক্লোন মমাংদা অখঙ-অহে কয়ানা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। অদুবু খঙনা-খঙনা চেকশিন থৌরাংশিং অদু লৌখৎহৌদবদগী ঙসিগী ফীভম অসি ওইরক্লিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। ঙসিসু অদুম্মক লাইচৎ অসিনা ওইরক্লিবা ফীভম খঙনা-খঙনা মরক্কী মীখল পাঙথোক্কনি হায়দুনা তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা কেম্প্যেন চথনরিবা অসিসু অরানবা থৌওংনি হায়বা য়াই। মরমদি চথুরিবা কেম্প্যেনশিং অসিদা কোভিদ-১৯গী এস ও পিশিং ঙাকপগী মমি উদে। করিগুম্বা থৌওং অসিদগী লাইচৎ অসি কা-হেন্না শন্দোরকপা ওইরগদি মদুগী তেকচাক কনানা লৌগনি। লমদম অসিদা কোভিদনা নাদবা মী খূৎ থেকপা য়ারক্কদৌরে। মণিপুরীশিংগী অচৌবা কুম্মৈ অমসু ওইরিবা নিংঙোল চাক্কৌবা লাক্কদবা মতমসু কুইরক্তে। মসিগী খূদোংচাবা লৌদুনা পোৎ য়োল্লিবা মীওইশিংনা কোভিদকী মিংদা পোৎ-চৈগী মমল কা-হেন্না য়োল্লক্কনি হায়বগী চিংনবসু লৈতবা নত্তে। মরম অদুনা হৌজিক্তগী হৌদুনা লৈঙাক্না পোৎ-চৈগী মমল হেনগৎনা য়োল্লক্তনবগীদমক অখন্নবা থৌরাং লৌখৎহৌবগী তঙাইফদবা লৈরে। মদুনা পূম্নমক্কী য়াইফবা ওইগনি।

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Thounaojam Birdhaja, Managing Editor: Maisnam Karnajit, Asstt. Editor : Kh. Nandalal, Printing In-charge : Wahengbam Ranjit; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com